# টাইটল ৯লক লৌবা ঙমখ্রবা ব্রাজিলনা পেরু থোইদুনা ১০রকশুবা টাইটলগীদমক শেম শাখ্রে



রিওদিজেনৈরো, জুলাই০৬ (এজেন্সী):
সাউথ অমেরিকাগী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মমাংদা টাইটল ৯লক লৌবা ঙমখ্রবা ব্রাজিলনা ১০রকশুবা টাইটল লৌনবগীদমক্তা ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা সেমীফাইনেলদা পেরুবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা শেম শাবা হৌখ্রে।

ব্রাজিলনা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী য়ূম্বু ওইরকপা অসি হান্না লৈখিবা সেদ্যুল্ডগী ৱাংমদা কলন্বীয়ানা য়ূম্বু ওইগদবা অদু লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯গী অহেনবা চৈথেং লাকপদগী ওইখিবনি। ব্রাজিলগী লৈঙাক্লা মরুওইবা টুর্নামেন্ট অদুগী য়ূম্বু ওইবগী অয়াবা অদু পীদুনা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেদিয়ম কয়াদা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোরকপনি। য়ূম্বু ওইখিবা ব্রাজিলগী টিম অসিনা ফুটবোলগী ওইবা লৈবাক অদুগী পুৱারীদা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি অহানবা ওইনা কুমজা ১৯১৬তা শরুকয়াবা হৌখি। মদুগী মখা তারকপা লৈবাক অসিনা টুর্নামেন্ট ৩৭ শরুক য়ারকপদা টাইটল ৯লক লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা লৈবাক ওইরি।

ব্রাজিলনা ফুটবোলগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা মালেমগী ওইবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপকী টাইটল ৫রক লৌদুনা ফুটবোলগী পাৱর হাউসনি হায়না লৌনরি। অদুবু চহী ৪/৪ লৈরগা পাঙথোকপা শান্নবগী দিসিপ্লিন পূম্নমক য়াওদুনা লম্বা তৌনবা ওলিম্পিক গেমসকী ওইনদি ব্রাজিলগী টিম অসিনা কুমজা ২০১৬তা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা চহী অদুদা ফুটবোলগী ওইনা গোল্ড মেদল অমখক ফংখি। মদুগী মমাংদা লৈবাক অসিনা সিলভর মেদল ৩ অমদি ব্রোঞ্জ ২ ফংবা ঙমখি।

ঙসি অয়ূক্কী সেমীফাইনেল মেটচ অদুগী হৌরকপা পুংখায় অমরোমদি পেরুগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না শান্নবা ঙল্লকপা মরম্না ব্রাজিলনা তকশিনবা ঙমখিদে। মেটচকী ৩৫ শুবা মিনটতা ব্রাজিলগী মমিং লৈরবা নেমারনা সপ্লাই তৌরকপা বোল অমা টিমমেট লুকাস পাকিটানা পাঞ্জল চন্দুনা ১-০দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাফ লোইশিনখি। অনীশুবা হাফকী শান্নবদা মখা তাবা অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী ব্রাজিল ফাইনেল চঙখি।

# নুপীগী সিঙ্গলসতা কেরোলিনা প্লিসকোভা সেমীফাইনেল য়ৌখ্রে, নুপাগীদা হুর্কাজ ক্বার্টর য়ৌখ্রে





লন্দন, জুলাই ০৬ (এজেন্সী):
চেক রিপব্লিককী শান্নরোয় কেরোলিনা প্লিসকোভানা ঙসি শান্নখিবা মালেমগী গ্রাসকোর্ট টেন্নিস টুর্নামেন্টকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেলদা স্বিটজরলেন্দগী ভিক্টোরিয়া গোলুবিচপু মায়থীবা পীদুনা নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা অহানবা শান্নরোয় ওইখ্রে। নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা পোলেন্দগী শান্নরোয় হুবর্ট হুর্কাজনা মহাক্কী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইখিবা রসিয়াগী মেদবেদেভপু মায়থীবা পীরগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা অরোইবা শান্নরোয় ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবী চেক রিপব্লিককী কেরোলিনা প্লিসকোভানা ঙসি শান্নখিবা ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা স্বিটজরলেন্দগী ভিক্টোরিয়া গোলুবিচকা লম্বা তৌনরকপদা কা-হেন্না প্রেসর মায়োক্লখিদবা অদুনা মরম ওইরগা অহানবা সেট অদু মহাক্লা গোলুবিচকী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌরগা ৬-২দা থোইখি। অনীশুবা সেটতসু প্লিসকোভাগী মায়কৈদগী অহানবা সেটতা লৈখিবা মশান্না অদুদগী হন্থদনা শান্নবা ঙমখিবা অদুনা চপ মান্নবা স্কোর ৬-২দা থোইদুনা সেমীফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবী বেলারুসকী এলিনা সভালেনকা অমদি টুনিসিয়াগী ওন্স জেবোর অনীগী অথোইবা অদুগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী মায়কৈদা ঙসি অথেংবদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী এস্লি বার্টিনা অতোপ্পা লৈবাক অদুমক্কী শান্নরোয় আইলা টোমলিয়ানোবিচকা শান্নগনি। মখোয় অনীগী অথোইবা অদুগা জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বর অমসুং চেক রিপব্লিককী কেরোলিনা মুকোভা অনীগী অথোইবগা সেমীফাইনেল শান্নগনি।

ৱিম্বলদন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ১৪শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা পোলেন্দগী হুবর্ট হুর্কাজনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ ওইনা শান্নরিবা রসিয়াগী দানিল মেদবেদেভকা লম্বা তৌনবদা অকনবা লান্থেং লোইরবা মতুং সেট ৩-২দা মায় পাক্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল কয়া লৌবা ঙমখ্রবা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররগা শান্নরগনি।

হুর্কাজনা মেদবেদেভকা লম্বা তৌনখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুদা অহানবা সেট অদু মেদবেদেভনা ৬-২দা থোইখি। অনীশুবা সেট হুর্কাজনা ৭-৬তা থোইরবা মতুং অহুমশুবা সেট মেদবেদেভনা ৬-৩দা থোইখ্রবা মতুংদা হুর্কাজনা ৪শুবা অমসুং ৫শুবা সেট অদু ৬-৩, ৬-৩দা থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

# এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ন কপ ২০২২ ফুটবোল টুর্নামেন্ট মুম্বাই অমদি পুনে সিটিদা পাঙথোক্লগনি

ন্যু দেল্লী, জুলাই ০৬ (এজেন্সী):
এসিয়াগী ফুটবোলগী খ্বাইদগী চাওবা লূপ ওইরিবা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন (এ এফ সী)না শীন্দুনা পাঙথোক্কদবা এসিয়াগী নুপীগী ফুটবোলগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২২ ইন্দিয়াগী মহারাষ্ট্র ষ্টেটকী সিটি ওইরিবা মুম্বাই অমসুং পুনেদা পাঙথোক্লগনি হায়না ৱারেপ লৌখ্রে।

এ এফ সী অমসুং টুর্নামেন্ট অসিগী লোকল ওর্গনাইজর কম্মিটিগী অপূনবা ৱারেপ অমা লৌরবা মতুং ইন্দিয়াগী মহারাষ্ট্র ষ্টেটকী কোনুং ওইরিবা মুম্বাই সিটিদা লৈবা মুম্বাই ফুটবোল এরেনা অমসুং ষ্টেট অদুমক্কী অতোপ্পা সিটি পুনেগী বালেৱাদিদা লৈবা শিব ছাত্রপটি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ন কপ ২০২২ ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোকফম ওইরগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

এসিয়াগী ওইনা নুপীগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ন কপ ২০২২গী য়ূম্বু ওইবগী খূদোংচাবা অদু ইন্দিয়ানা ফংখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা এ এফ সী অমদি ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী মমাংদা য়ানখিবগী মতুংইন্না তোঙান-তোঙানবা ষ্টেদিয়ম কয়াদা টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোকপগী ৱাফম লৈখিবনি। অদুবু হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়া অমদি অতোপ্পা মালেমগী লৈবাকশিংদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভনা পীরিবা চৈথেংশিং অসি য়েংলুরগা শান্নফম অদু হান্না থম্লখিবা মফমশিং অদুদগী কক্থরগা মুম্বাই অমদি পুনে সিটিদা পাঙথোক্লবগী ৱারেপ অসি লৌরকপনি।

মুম্বাইদা লৈরিবা ফুটবোল এরেনা, পুনেগী শিব ছাত্রপটি স্পোর্টস কমপ্লেক্স অমসুং নাবি মুম্বাইদা লৈবা দি ৱাই পাটিল ষ্টেদিয়মদা এসিয়াগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা নুপীগী ওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি শান্নগদৌরিবনি। য়ূম্বু ওইরিবা ইন্দিয়া, জপান, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং চাইনা মাংজৌননা ফাইনেল রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবনি। মখা তারকপা অতোপ্পা টিমশিংনা গ্রুপ ৮ থোক্লা খায়দোল্লগা লেমহৌরিবা টিম ৮গীদমক্তা ক্বালিফায়িং মেটচ শান্নগদৌরিবা টিমশিংদি টাইটল ৩লক লৌবা ঙমখ্রবা চাইনিজ টাইপৈ য়াওরি। মমাংগী চেম্পিয়ন নোর্থ কোরিয়া, সাউথ কোরিয়া, ইরান, উজবেকিস্থান, য়ু এ ঈ, ম্যান্মার, টাজিকিস্থান, লেবানন, ইরাক, ইন্দোনেসিয়া, অফঘানিস্থান, মোঙ্গোলিয়া, ফিলিপিন্স, হোং কোং, থাইলেন্দ অমদি পেলেষ্টাইনগী টিমশিংনা শান্নগদৌরি।

# ইংলেন্দগী ক্রিকেট টিমগী মেম্বর ৭ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে

লন্দন, জুলাই ০৬ (এজেন্সী):
ইংলেন্দ এন্দ ৱেলস ক্রিকেট বোর্ড (ঈ সী বি)না ঙসি ফোঙদোরকখিবা ৱারোল অমগী মতুংইন্না ইংলেন্দগী নুপাগী ক্রিকেট টিমদা য়াওবা মেম্বর ৭ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

বোর্ড অসিগী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরক্তুনা থা অসিগী ৮দগী পাকিস্থানগা শান্নগদৌরিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগীদমক্তা খনগৎলবা শান্নরোয়শিংগী মরক্তা শান্নরোয় ৩ অমদি ষ্টাফ মেম্বর ৪ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপনি হায়রি।

ঈ সী বিগী মায়কৈদগী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা শান্নরোয়শিং অমদি ষ্টাফ মেম্বরশিং অদুগী মমিংদি ফোঙদোক্ত্রি। অদুবু বোর্ড অসিনা মমাংদগী লেপখিবা মতমগী মতুংইন্না ইংলেন্দ অমদি পাকিস্থানগা শান্নগদবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগীদমক্তা মতম হোংদোকপদি লৈতে। বোর্ড অসিনা পীরকপা অনৌবা ৱারোলগী মতুংইন্না হান্না ইংলেন্দগী কেপ্টেন ওইগনি হায়না লাউথোকখিবা ইয়োন মোর্গানগী মহুৎতা বেন ষ্টোক্সনা পাকিস্থানগা শান্নগদবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী কেপ্টেন ওইরগনি হায়রি।

কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভ ওইনা মালেম্না মায়োক্লরিবা দেল্টা ভেরিএন্ট অসিনা চাওনা অহেনবা চৈথেং পীরি। ইংলেন্দ এন্দ ৱেলস ক্রিকেট বোর্ডকী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর ওইরিবা তোম হেরিসননা ফোঙদোরকপদা, লৈবাক অদুগী ক্রিকেট টিমনা পাকিস্থানগা শান্নগদবা ক্রিকেট সেরিজ অদু অশোয়-অঙাম য়াওহন্দনা পাঙথোকপা য়ানবগীদমক কোভিদ পোজিটিভ ওইরবা মেম্বরশিং অদু লৌথোক্লগা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংনা মহুৎ শিন্দুনা সেদ্যুল্ড অদু কায়হন্দনবা হোৎনগনি হায়খি। পনবা য়াবদি, ইংলেন্দগী ক্রিকেট টিমনা হন্দক্তা স্রি লঙ্কাগা সেরিজ অমা শান্নখিবনি।

# অর্মেনিয়াগী অরোনিয়ননা রসিয়াগী ব্লাদিমির অর্টিমেবপু থোইদুনা গোল্ডমনি টাইটল লৌখ্রে



ন্যু দেল্লী, জুলাই ০৬ (এজেন্সী):
অর্মেনিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর লেবোন অরোনিয়ননা গোল্ডমনি এসিয়ন রেপিদ ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা রসিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর ব্লাদিমির অর্টিমেবপু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি চেছকী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবা গ্রান্দমাষ্টর নোরৱেগী মেগনস কার্লসনগী মতেংগা লোয়ননা মহাক মশামকসু য়াওদুনা ওনলাইনদা পাঙথোকপা চেছ টুরগী মনুং চনবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবনি। টুর অসিগী ফাইনেল অদু শান্নরোয় ১০না শরুক য়াদুনা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

এসিয়ন রেপিদ ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট অদুগী সেমীফাইনেলদা অর্মেনিয়াগী লেবোন অরোনিয়ননা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা নোরৱেগী মেগনস কার্লসনবু মায়থীবা পীরম্বনি। অদুগা মহাক্না ফাইনেলদা লম্বা তৌখিবা রসিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর ব্লাদিমির অর্টিমেবনা মহাক্কী সেমীফাইনেল মেটচতা চাইনাগী গ্রান্দমাষ্টর দিং লিরেনবু থোইরম্বনি।

অরোনিয়ননা অর্টিমেবকা শান্নবা গোল্ডমনি এসিয়ন রেপিদ ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচ অদুদা রসিয়াগী অর্টিমেবপু ২-০দা থোইরগা চেম্পিয়ন ওইখি। অদুগা অহুমশুবা পোজিসনগী লম্বা তৌনবদা মেগনস কার্লসননা দিং লিরেনবু মায়থীবা পীখি। অতোপ্পা চেছ মশান্নগী পাউ অমদা ইন্দিয়াগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন মঙারক ওইবা ঙমখ্রবা বিস্বানাথন অনন্দ য়াওনা রসিয়াগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন গেরি কাস্পরোবনা পূন্না শরুক য়ামিন্নদুনা হয়েংদগী ক্রোএসিয়াগী কোনুং জাগ্রেবতা পাঙথোক্কদবা গ্রান্দ চেছ টুরদা শরুক য়ামিন্নগনি হায়না ফোঙদোরক্লি। টুর্নামেন্ট অসিদা নহা ওইরিবা শান্নরোয় কয়াসু য়াওগদৌরি।

# নুপীগী ৱান দে ক্রিকেট রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী মিথালিনা মকোক ওইরে

দুবাই, জুলাই ০৬ (এজেন্সী):
ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী নৌনা ফোঙদোরকপা নুপী শান্নরোয়শিংগী মনুংদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ওইরিবী মিথালি রাজনা বেটসমেনশিংগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা মকোক থোংবা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ৩৯ শুরবী মিথালি রাজনা হন্দক্তা ইংলেন্দগা শান্নবা ৱান দে মেটচ অহুমগী সেরিজদা রন ৫০ হেনবা ঙম্বা স্কোর ৩লক তৌখিবা অদুনা চহী অসিগী টুরদা থাক নেম্না লৈরম্লবসু মকোক থোংবা ঙমখিবনি। কুমজা ২০১৮দা মিথালি রাজনা নুপী ক্রিকেট শান্নরোয়শিংগী বেট্টিংগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা নম্বর ৱান ওইবা ঙমখিবনি। মশাগী করিয়রগী চহী ২২গী ক্রিকেট মশান্না অসিদা নম্বর ৱানগী থাক য়ৌরকপা অসি হন্দক্কী অসি থারগা ৮লক শুবনি।

কুমজা ২০২০-২১গী টুরগী হৌরকপদা মিথালি রাজ বেটসমেনশিংগী মনুংদা ৮শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি। চয়োল ১গী মমাংদা মহাক্লা মকোক থোংবা নুপীগী বেটসমেন মঙাগী মনুংদা চনবা ঙমখি। মিথালি রাজনা ইংলেন্দগা শান্নখিবা ৱান দে মেটচ অহুম অদুদা পূন্না রন ২০৬ লৌবা ঙমখিবা অদুনা অতোপ্পা নুপী ক্রিকেট শান্নরোয়শিংগী মরক্তা মকোক মথং তাবগী পরিং য়েংনরকপদা নম্বর ৱান ওইবা ঙমখিবনি। শান্নরোয় অসিনা ইকোন কোনবা ওইনা কুমজা ২০০৫গী এপ্রিল থাদা নুপীগী ক্রিকেট শান্নরোয়শিংগী বেটসমেনশিংগী ওইবা মকোক মথং তাবগী পরিংদা ন্যু জিলেন্দগা শান্নবা আই সী সী ৱিমেন্স ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপকী মেটচতা রন ৯১ লৌবা ঙমখিবা অদুনা নম্বর ৱান ওইখিবনি। মদুগী মতুং থাক অদুদগী হন্থরগা ইংলেন্দগী টুর অসিদা অমুক মকোক ওইরকপনি।

# টোকিও ওলিম্পিক গেমস ২০২০দা ভি আই পিশিং হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াবা য়াগদৌরি, ভাবোক্তি য়াওরোই




টোকিও, জুলাই ০৬ (এজেন্সী):
থা অসিগী ২৩দগী চহী ১ কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা য়ৈথোরক্লবা মতুং হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিগী হৌদোকপগী থৌরমদা ভি আই পি (ভেরি ইম্পোটেন্ট পর্সন)শিং শরুক য়াবা য়াহল্লগনি। অদুবু ভাবোক্তি য়াওবা য়ারোই হায়না জপানগী মমিং লৈরবা পাউচে অমগী রিপোর্টতা ফোঙদোরক্লি।

ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি (আই ও সী)গী মীহুৎশিং, তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী দিগনিটরিশিং, ওলিম্পিক গেমস অসি পাঙথোক্লবা হোৎনবদা চাওনা শেলগী মতেং পাংলকপা স্পোন্সরশিং, লোয়ননা গেমস অসিগা মরী লৈনবা মরুওইবা মীওইশিং টোকিও ওলিম্পিক গেমস হৌদোকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াবা য়ারগনি হায়না জপানগী পাউচে অসাহি শিম্বুননা পীরকপা অথেংবা রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভ লাকপা অসিনা মালেমগী লৈবাক কয়াদা অহেনবা চৈথেং পীদুনা লৈরিঙৈ জপানদসু ৱেভ অসিনা শোকহনবা কয়া অমা লৈরিবনি। অদুবু চহী ১ য়ৈথোরক্লবা শান্নবগী খ্বাইদগী চাওবা কুম্মৈ ওইরিবা ওলিম্পিক গেমস অসি পাঙথোক্লনবা হোৎনরিবা অসিমপূং ফানবগীদমক্তা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাং পূম্নমক জপান লৈঙাক খক্তা নৎতনা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি, ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন অমদি টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী মায়কৈদগী লৌখৎলি।

টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদগী য়ামদ্রবদা শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিং য়াওনা মীওইশিং ১১ হেনবনা শরুক য়াগদৌরিবনি। হায়রিবা গেমস অসি লোইরবা মতুং ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না পেরাওলিম্পিকসু পাঙথোক্কদৌরিবনি। মসিদসু অহেনবা এথলিট কয়া অমনা শরুক য়াগদৌরিবনি। মসিগীদমক জপান লৈঙাক্লা অমদি ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা পায়খৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাং পূম্নমক পায়খৎতুনা গেমস অসি মায় পাক্লা লোইশিন্নবা হোৎনগনি হায়না অচেৎপা থাজবা থল্লি।

# নিলাকান্ত অমসুং সুশিলাগীদমক ফামনা য়াইফ থৌনীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ (ঐচ এন এস):
পোষ্টেরিয়র হোক্কী একাদেমি মণিপুর (ফাম)গী মায়কৈদগী থা অসিগী ২৩ দগী হৌগদৌরিবা মালেমগী শান্নবগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা কুম্মৈ ওইরিবা জপানগী কোনুং টোকিওনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী হোক্কীগী ওইনা নুপাগী টিমদা শংলাকপম নিলাকান্ত শর্ম্মা অমসুং নুপীগী টিমদনা পুখ্রম্বম সুশিলা চনুনা শরুক য়াগদৌরিবা অসিগীদমক্তা য়াইফ থৌনীখ্রে।

ফামগী মায়কৈদগী সেক্রেটরি কে এস ঐচ রোমেশনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না শান্নরোয় অনী অসিনা ওলিম্পিক গেমসতা অফবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমদুনা মায় পাকপা ওইসনু হায়বগী ৱাফম থম্বগা লোয়ননা মখোয় অনী শরুক য়ারকপদা হায়নিংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

# গোল্ডন বেবি লীগ অমসুং ফুটসাল

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ (ঐচ এন এস):
অস্ফাগী মায়কৈদগী পীরকপা ৱারোল অমগী মতুংইন্না চৎলিবা থা অসিগী ১২গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা গোল্ডন বেবি লীগকী মতাংদা ওনলাইন ৱর্কশোপ অমা পাঙথোক্কদৌরি। য়াওনিংবশিংনা থা অসিগী ১০ ফাওবগী মমাংদা এপ্লিকেসন থাগৎলকপা য়াগনি।

এসোসিএসন অসিগী অতোপ্পা ৱারোল অমদা চহী ১৮ মখাগী ইন্টর ক্লব ফুটসাল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী মতাংদা শরুক য়াগদৌরিবা ক্লবশিংগী মায়কৈদগী শান্নরোয়শিংনা ২০০৩গী জন্যুৱারী ১ দা পোকপা অদুগা ২০০৫গী দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মনুংদা লৈবা শান্নরোয়শিং ওইগদবনি হায়রি।


ꯍꯩ.ꯂ. ꯗꯤꯄꯥꯔꯇꯃꯦꯟꯇ

## EMPLOYMENT NEWS

- IMPHAL BRANCH :- Security/Gunman-2, Office Asst.-2, Car Driver-2, Grade IV-2
- SAMUROU BRANCH :- Office Asst.-2, 2 Wheeler Mechanic-2, Car wash Helper-2, Tyre Fitting Helper-2, Car Driver-2, Grade IV-2, Brick Mistry-3 & Jugali-5 (Rs.15,000 to Rs. 25,000)
- MOIRANG BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
- THOUBAL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
- NAMBOL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2


Pl. Contact : L.G. MOTORS
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, IMPHAL-WEST MANIPUR
CONTACT No. :- 9774495994 / 8731978490

OFFICE HOUR :
10.00 AM TO 4.00 PM

HL-B/6970/28/6-18/7


## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE

### PUZZLE NO. 162



**Haack, Kevin (2033) - Bui, Bao Anh Le (2065)**
**DEM U14 2019 Willingen GER, 2019.06.13**

| | | |
|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 d6 | 3.d4 cxd4 |
| 4.Nxd4 Nf6 | 5.Nc3 a6 | 6.Be3 e5 |
| 7.Nb3 Be6 | 8.f4 exf4 | 9.Bxf4 Nc6 |
| 10.Qe2 Rc8 | 11.h3 Nb4 | 12.O-O-O Nxa2+ |
| 13.Nxa2 Bxb3 | 14.Nc3 Be6 | 15.e5 Nd7 |
| 16.exd6 Qa5 | 17.Qe3 g5 | 18.Bxg5 Bg7 |
| 19.Nb1... | | |

**QUESTION :**

**Black to win**

**Puzzle 161 Ans. :**

13. ...Nf6 14.Nxf6+The white knight deflects Black's bishop away from protecting the square a3.Bxf6 15.Qh7+ Kf8 16.Ba3+ c5 17.Bxc5+ Be7 18. Qh8#Backrank mate
14.Nxf6+ Bxf6 15.Qh7+ Kf8 16.Ba3+

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com